# ইরমদম কলহৌবনা ঐখোয় পূম্নমক্কী ইহান হানবা ইথৌনি



**অচুম্বতনা মায় পাক্লকখিগনি**

**কর্নেল হাওরোংবম সরত (রিটাইয়র্দ)**

**শোখরবশিংদা কখোকচবা**

ঙসি পাঙথোক্লিবা ১৮শুবা লোক সভাগী এম পি ইলেক্সন অসি মণিপুরগী খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা ইলেক্সন অমনি। ইলেক্সন অসিগী ফলনা লমদম অসিগী মরাইবক লেপকদৌরিবনি হায়বসি মীচম মীয়াম্না মুন্না ৱাখল তৌবীহৌ। ইনিংথৌ নোংদা লাইরেল পাখংবনা কুমজা ৩৩দগী কুমজা ১৫৪ ফাওবা হায়বদি চহী ১২০ পাল্লমখি। অসুম্না ইনিংথৌশিং মথং-মথং পাল্লকপনা খাগেম্বা (১৫৯৭-১৬৫২) চহী ৫৫ পাল্লম্লবা মতুংদদি ইরমদম অসিগী মীচম মীয়াম ঈংনা-তপ্না, নুংঙাই-য়াইফনা লৈরকখিবা লৈঙাক ওইখিদরে। ঙসি-ঙসিমকসু লায়রবা মীয়ামদি অসুম ৱানা হিংলি। অসুম্না পূন্সি লেল্লকখিবসিনা ঙসি ফাওবা (২০২৪-১৬৫২) হায়বদি চহী ৩৭২ অসি অদুম ৱাদুনা পূন্সি লেল্লি।

মণিপুরদা শোয়রিবসি ঙসি-ঙরাংগী ৱাফম নত্তে। চহী কয়া লিশাং শিংনা শোয়রবনি। শোয়খ্রিবশিংসি ঐখোয় পূম্নমক্না কূপ্না খন্থরগা অমুক হন্না শেমদোকপগী মতম য়ৌরে। ইখঙ খঙহৌদনা য়ূমথোঙ খুদিংদা থেৎলিবা সলাই তরেৎকী ফিরাল অসি ঐখোয়গী ইথৌ-নাৎ, ইপু-নাৎকী ফীভম অমুক হন্না হঞ্জিল্লকপগী শাইওলনি। ওইরক্লিবা মওংসি ঐখোয়গী অশেংবা অচুম্বা পূন্সি মরেলদু ওইরক্কদৌরি।

কুমজা ১৯৫১দগী পাঙথোকখিবা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্টকী ইলেক্সনগী রিজল্ট অসি ঐখোয় পূম্নমক্না অমুক্তা খন্থমিন্নসি। হাপচরিবা চার্ট অসি য়াম্না কূপ্না এনালাইসিস তৌবীয়ু। ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইরিবদি এম পি অমনা চহী ৫গী টেন্যুরদা পোলিটিকেল পার্টি অহুম হোংবা হায়বসি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেস পার্টি অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি হোংলিবসি খ্বাইদগী ঙক্লিংঙাই ওইরি। পীকখ্রবা ইরমদম অসি ৱর্ল্ডগী গ্লোবতা বিন্দু খরগীদা ওইরিবা মণিপুর অসিগী ফত্তবগী রেকোর্দতদি খ্বাইদগী মমাঙ থারি। হৌজিক ঐখোয় পূম্নমক্না উরি মদুদি করপসনগী লিমিট অসি খ্বাইদগী ৱাংলি। করেক্টর হায়বদি - "When wealth is gone, Nothing has gone. Health is gone, something has gone. But character has gone, Everything has gone. Character অমকপা মীবু কৈদৌনুংদা মীমাং থোকপা থবক তৌহল্লোইদবনি। অসুম্না লমচৎ-শাজৎ লুদবা মীদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইহনবা য়াদে।

দিসিপ্লিন লৈননবা হীরম খুদিংদা হোৎনসি। স্পোর্টসনা তন্বীরিবসি দিসিপ্লিন লৈহনবা অমসুং স্পোর্টসমেনশিপকী ক্বালিটি হেনগৎহনবদুনি। খুন্নাই অসিগী দিসিপ্লিনদি য়াম্না ৱাৎলি। হোৎনগদৌবা য়াম্না ৱাৎলি। দিসিপ্লিন লৈবা খুন্নাই ওইহনসি।

মীতৈ ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী থৌনাদু ঐখোয়দা য়াওদবগুম তৌরি। মসি অশোয়বা খোঙথাংনি। মণিপুর হায়রিবা ইরমদম অসিদা মীতৈ ঐখোয়দগী হেন্না চাউবা, থৌনা ফবা, মরিংজেল খাবা অতোপ্পা কাঙলূপ অমতা লৈতবনি। অতোপ্পা ফূরুপকী মফম লৈফম থোক্তে। ঐখোয়গী ইপুশিংনা থৱায় কৎখ্রগা থল্লম্বা লম অসি কনাগুম্বা অমত্তনা মীৎয়েং চঙহনবা য়াদে। থৌনা লৈনা, কখোকপগী লিংজেলগা লোয়ননা ইরমদম ঙাক্কদৌবনি। মণিপুর অসি ময়াং মচাশিংনা তৌনীংবতা তৌবা য়াবা নত্তে। কবো ভেল্লি অসি অমুক হন্না লৌশিনবগী পান্থৈশিং শেমগনি অমসুং শোয়দনা লৌশিনগনি। অদুগা লোয়ননা মণিপুরদা মীতোপ অমত্তনা লম লৈখিবশিংসি অমুক হন্না লৌশিনবগী লন্থীশিং লৈরি। পূম্নমক অসি থবক ওইনা পাঙথোকচগে।

**Members of Parliament**

| Election | Member | Party |
|---|---|---|
| 1951 | Jogeswar Singh Laisram | Indian National Congress |
| 1957 | Achaw Singh Laisram | Socialist Party |
| 1967 | M. Meghachandra | Communist Party of India |
| 1971 | N. Tombi Singh | Indian National Congress |
| 1977 | | |
| 1980 | Ngangom Mohendra | Communist Party of India |
| 1984 | N. Tombi Singh | Indian National Congress |
| 1989 | | |
| 1991 | Yumnam Yaima Singh | Manipur People's Party |
| 1996 | Thounaojam Chaoba Singh | Indian National Congress |
| 1998 | | Manipur State Congress Party |
| 1999 | | Bharatiya Janata Party |
| 2004 | Thokchom Meinya | Indian National Congress |
| 2009 | | |
| 2014 | | |
| 2019 | Dr. Rajkumar Ranjan Singh | Bharatiya Janata Party |

লৈঙাকসিনা শোয়খিবসি সস্পেন্সন ওফ ওপরেসনগী মতাংদা কোংগ্রেস লৈঙাক্না মীচম মীয়াম্বু কুকিশিংগী টার্গেট ওইহনখ্রে। অদুগা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা ইন্দিজিনস পর্সনগী মতাংদা বেজ য়রবু কুমজা ১৯৬১গী দিসেম্বর ৩১ ওইহল্লি। বেজ য়র অসি কুমজা ১৯৫১গী দিসেম্বর ৩১ ওইনবগী লৈঙাক্না হান্না ৱারেপ লৌখ্রবনি।

অতোপ্পা ৱাফম কয়ানা, মীয়ামসি চমন্নগা থল্লগা মীদিয়া চেনেলশিংদা মখল মখলগী, টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হন্নবা অরোনবা ৱারেপশিং উরি। মণিপুরগী টেরিটোরিদি কনা অমত্তনা খাইদোক-খাইজিন তৌবা য়াবা নত্তে। মীচম মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা লৈঙাক অমত্তনা অরুবা ৱারেপ অমা লৌবগী হক লৈতে। লৈরিবসি মীচম মীয়ামনি।

ঙসিগী ইলেক্সনগী রিজল্ট অসিনা লৈবাক্কী ফিরেপ ওইগদৌরিবনি। ৱাখল য়াম্না মুন্না খল্লগা ভোট থাদবীয়ু। ●


| Election | Member | Party |
|---|---|---|
| 1952 | Rishang Keishing[2] | Socialist Party |
| 1957 | Rungsung Suisa | Indian National Congress |
| 1962 | Rishang Keishing[3] | Socialist Party |
| 1967 | Paokai Haokip | Indian National Congress |
| 1971 | | |
| 1977 | Yangmaso Shaiza | |
| 1980 | N. Gouzagin | |
| 1984 | Meijinlung Kamson | |
| 1989 | | |
| 1991 | | |
| 1996 | | |
| 1998 | Kim Gangte | Communist Party of India |
| 1999 | Holkhomang Haokip | Nationalist Congress Party |
| 2004 | Mani Charenamei | Independent |
| 2009 | Thangso Baite | Indian National Congress |
| 2014 | | |
| 2019 | Lorho S. Pfoze | Naga People's Front |

# ভোটতি ঐখোয়না ইকাদা কারে

**- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -**

অয়ূক য়াহৌরকপদা পাউচে পাবসি হন্দক্তি হকচাং খরা ফগৎলি। নোংমদা ঙাইহাক্তং ওইরবসু নোকপসি হকশেলদা কান্নে, পূন্সি শাংদোকই হায়বনিনা ভোট ময়াসি খরা কুইনা সুম ওইদুনা লৈরবদি পূন্সিসে নোকফেৎ নোকফেৎ তৌদুনা হিংগদৌবা মাল্লি। মসি দেল্লীনা ঐখোয়বু নুংশিবীবদগীনি। লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরবু য়াম্না লূম্না লৌবদগীনি। অদুগা সেন্টরনা মণিপুরদা মতম চানা খূৎ থিংজিনহৌবননি। পূম্নমকসি পাউচে পাবদৈ খঙলগা নোক্লোই হায়দুনা খাঙবা ঙমদবদগী নুংঙাইজবনি। কনানবু ফাগি মথং-মথং নুমিৎ খুদিংগী তৌরক্লবদবু খাঙবা ঙম্মফম থোক্তে। খাঙবা ঙমদদুনা তপ্না নোকচৈ। ফম্লগা নোকপদা পেন্দদুনা হৌগৎলগা নোকচৈ। তূমিন্না নোকপদা নুংঙাইতদুনা চিনসিদা মুরুম মুরুম শোল্লগা নোকই। ঐনা মরোন লোন লোন্দুনা নোকপদু উহৌবা মী য়াওদুনা লৈঙাক্তা ৱাকৎলুরবদি ঐসে পুলিস লাক্তুনা ফাবীবসু য়ারিবনি। অদুবু ঐদি কনাগুম্বা অমত্তগী থৌইনশিন য়াওদনা, ইশাদা অকিবা অমদি চিংনবা লৈতনা, কনাগুম্বা অমত্তদগী শেঞ্জা থুমজা তৌরুদনা নোকখিবনিনা ইলেক্সনগী চৎন-কাঙলোনদদি কায়দে। চহী অমখক্তং কুকিগা মীতৈগা হাত্তোক্নবসি য়াম্না কুইবা মতমদি নত্তে। রসিয়াগা য়ুক্রেনগা লান শোক্নরিবসিদি ঐখোয়দগী য়াম্না হানখ্রবনি। অদুবু ঐখোয় মণিপুরসিদি মখোয়গী অদুমাইনা কুইগনি হায়বদি নত্তে। মণিপুর হৌজিক শান্তি হঞ্জিল্লে হায়দুনা দেল্লীদগী লাউরকপসু ভোট তৌরকপদগী তাবা ফংজরিবনি।

ভোটকী ৱা ঙাঙবদি থিংদবনিনা হায়নীং হায়নীংবা য়াম্না হায়রে। ইন্দিয়াসি শেল থুমগী ফীভম ফগৎলে। লৈঙাক্কী থবক লৌবগী মতম লোইরদুনা পোথারবা মীশিংনা ফংফম থোকপা পেন্সনগী শেনফম চহী মরি মঙা পীথোকপা ঙমদ্রিবসিসু লৈঙাক অসিনা য়াম্না কূপ্না খন্নরি। শেল লৈতবদগী জিলা পরিষদ, প্রধান, মেম্বরগী ভোট তৌবা ঙমদ্রিবসিসু লৈঙাক অসি অমুক হন্না লাক্লগা য়াম্না থুনা পাঙথোক্নবা পোরম য়াৎপা হৌরে। খ্বাইদগী মরু ওইনা মণিপুর অসি কায়দনবা বোর্দর ফেন্সিং খাবদা সেন্টরনা অয়াবা পীরবনি। অদুনা ভোট পীবদা ৱাখল য়াম্না মুন্না খল্লগা পীগদবনি। মমাঙদা কাখিবা মীহুৎশিংদো মথোং মরম খঙদবা মী ঙাক্তনি। মণিপুর অসি কায়দোরবনি। মসিবু কনবীবা ঙম্বসে ঙসিগী লৈঙাক অসিখক্তনি হায়বসি ভোট তৌরকপগী তাবা ফংবনি। লান অদুক কুইনা তৌরকপদা নোংমতা তাবা ফংখিদ্রবা ৱাহৈসি ভোটতদি ওন্থোক্না তোয়না তাজরে। তশেংনা নুংঙাইজরে। নোকচরে। মোদিজিগী তেল্লবা সেন্টরগী লৈঙাক অসিগী মতমদা ইন্দিয়ানা ওইরিবা মওং অসি অঙকপনি। মসিদি শুপ্নতগী সিনেমা অমগী ট্রেলরনিসু হায়বীখ্রে ।মপূং ফাবা ফিল্মদি হন্দক্কা অমুক হন্না লৈঙাক পায়রগা শোয়দনা উরগনি। মসি মীয়ামসু লোইনা ৱাখল তারমগনি। মণিপুর নত্তবা ইন্দিয়াগী লমশিংদা উৎকদৌরিবা ফিল্মগা মণিপুরগী মীয়াম্না থেংনগদৌরিবা ফিল্মগদি মান্নদৌ মান্দে। মণিপুরগীদি করি ফিল্ম মপূং ফানা উৎকদগে হায়বদু মমিং হায়দোক্ত্রিবনিনা নুংঙাইদৌবা মাল্লি।



ঙসি কৌবা ভোটকী নুমিৎসিমদি মীনা নোকউ হায়রগা নোক্কুমসি। ঐনা নোক্লিংলগা নোকসি। মীনা খূবাক খূবদসু হরাওগুমসি। ঐনা খূবাক খূরগা হরাওসি। নোক্লোইদবা ঙসিগী নুমিৎসিদা হৌনা হৌনা নোক্লুরগা মী তাখ্রবদি মীতৈ লাঞ্জেন্নবা মশীং য়ামখৎলক্কনি। ঙসিদি লৈবাক কনগদবা নুমিৎনি। ভোট হায়রিবা মীখলসি মীয়াম্না য়াম্না লুনা খনবীগদবনি। মরমদি ভোট ময়াগী পাউচে পাবদা ঐখোয় মীয়াম্বু নোক্লিংহল্লিবসিনি। ঐখোয়গী পূক্লিং হকচাং ভোট ময়াসিদা লৈতাহল্লিবনি। য়াম্না নুংঙাইরে। অমিটজিসু লাক্লম্লে। মণিপুর থুগাইবা য়ারোইসু হায়বীরম্লে। ঐখোয় ইশুনুপাদি মা লাক্ত্রিঙৈদগী মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়দুনা য়েনখাদা কোইচেন চেনবা য়াম্না কুইরনি। অমিটজিনা মশা শুক্লাক লাক্তনা ঈরাং ফহনবসু ঙম্লবনি। ঙসিদি ঐখোয় নুংঙাইবগী ৱাখল খন্নবা নোক্লোইদবা নুমিৎনিনা য়ূমদগী ঈশিং ফজনা থকচিল্লগা ভোট থাদবা থোক্লসি। লন্থীদা মীনা কৌরকপা খুমগুমসি। ঈ ভি এম মেছিন মনাক্তা মীকুপ অমতং লেপসি। কনা উবগে য়েংবীয়ু। হাৎপীখ্রবা ইচাশিং উব্রা। লুপা চান্মঙাদু উব্রা। মমাশিংদি মচা শোয়দনা উগনি। মপাশিংনা মৈ চাক্লিবা য়ূমশিং উগনি। মচাশিংনা লাঞ্জেন্নরিবা মীয়াম শোয়দনা উরমগনি। মসিদা ওইরে ভোটতি ঐখোয়না ইকাদা কারে হায়জরিবসে। ●

# অনৌবা আশা! অনৌবা চহী! থুংলরে ১৮শুবা লোক সভা মীখল ২০২৪ : মণিপুর কনবা ঐখোয় খুদিংমক্কী খূৎতা লৈরে!

**- সলাম প্রসান্তা -**

তপ্না তপ্না হৌখিবনা ঙসিদি ঐখোয়গী মাঙদা তারে - ১৮শুবা লোক সভা মীখল! মণিপুরগীনা ইমা লৈবাক মণিপুর কন্নবা; থা ১১ ঐখোয়গী ৱাকৎ-খোল্লাও দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্না অমদি সেন্ত্রেল লীদরশিংনা তাবীখিদবগী লমন; ইন্দিয়াগী মপী মপা ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙকচাও থেক্তুনা মণিপুরবু থৌওইখিদবগী মীয়ামগী শক্তিনা লমন শিংবগী তাঞ্জা অদুনা ঐখোয় খুদিংমক্কী থোঙ্গালদা থুংলরিবসি। ঐখোয় হৌজিক সংবিধান্না তাঙনা চহী ৫/৫গী পীরিবা মীয়ামগী শক্তি অসি শীজিন্নদুনা মতাং চানা পাউখুম পীহৌদ্রবা ঐখোয় অমুক হৌগৎপা ৱারগনি খল্লি!

ৱারোইশিন য়াওদবা শান্তিনা কয়াম কুইনা তংদু লৈতানা লৈবা য়াগনি? ময়াম্না শোন্নরম্বা প্রোক্সি ৱারনি জেনোসাইদনি হায়নরম্বদু ময়েক শেংলক্লে! স্বিটচ ওফ-ওন তৌবা য়াবা লান! স্বিটস ওফ-ওন তৌরিবশিংগী মথক্তা মীয়াম্না পাউখুম পীগদবা মীখলনি! লানতবু পামজবা কুকি জৌ কাঙবুনা মার্চকী ১৬তা মীখলগী নোটিফিকেসন থোকখিবগা করিগী লান লেপখিবনো? মীয়াম্না হংবীয়ু মীতৈদি লান তৌবা নত্তে লান ঙাকপনি। লানগী চৈনা চৈথেং নংদবশিংনা সী এম বঙ্গলো য়াওনা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংগী থোঙ্গালদা! লান অসিনা মচা কায়নরবা, মপুরোইবা কায়নরবা, মপা কায়নরবা, মবুং-মৌপ্বা, মচা-মশু কায়নরবশিংগীনা মীৎলু পিরাং, পূন্সিগী আশা কয়াগা ৱানা তানশিঞ্জদুনা শাজখিবা ময়ূম মকৈ তুম্না লানসিদা থুগায়বিখ্রবশিংনা রিলিফ কেম্পশিংদা হিংনবগীদমক্তা লৈঙাক্কী য়কা য়েংদুনা কিবদগী করিসু হায়জবা ঙমদনা লেল্লিবা কয়া অসিগী পাউখুম পীগদবা মীখল! ইমা ইবেল কয়ানা লন্থী সড়ক্তা অৱাবা কয়া লেনখিবা কয়া অদুগী পাউখুম পীগদবা মীখল! হন্দক্কী মীখল অসিদা মণিপুর মীয়াম্না পাউখুম পীহৌদ্রবা মীতৈ/মৈতৈ হায়বা ফূরুপ অসি কনানসু ঐখোয়বু উশিৎপীররোই মণিপুরগী ঈজৎ কন্নবা মীয়ামগী খূৎতা লৈরে! চহী ৫/৫গী মনুংদা তাঙনা লাকপা মীয়ামগী ভোট থাদবগী হক মীয়াম্না লৌনম চিরোল য়াওদনা শেঞ্জা থুমজা তৌদনা অকিবা য়াওদনা মণিপুর কন্নবগীদমক্তা মীতৈ/মৈতৈ ফূরুপ্পু মীনা শীংনবা-লাকচবা য়াদবা মরোমদোম মনীং তম্না সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা হাইনা হুম্না পাল্লম্বা ফূরুপনি হায়বা মালেমদা শক্তাক্লবা মীয়ামগী শক্তি চুম্না শীজিন্নদুনা মণিপুর কনবা মীয়ামগী খূৎতা লৈরে।

ঐখোয়গী সংবিধানগী প্রিএম্বলগী অহৌবদা "We, The People of India" হায়বসিদা ফোঙদোক্লিবসি লৈবাক অসিগী সুপ্রিম ওথোরিটি হায়বদি লৈবাক অসিগী মপূ থৌবু অসি মীয়ামনি হায়বনি! মীয়াম্না ইশাগী লৈবাক অসিবু মনীংতম্বা শক্তি লৈবা, মীয়াম্না ইশাগী মীহুৎ খঞ্জদুনা লৈঙাকহন্দুনা মীয়াম্বু লৈবাকপু মখোয়না অমুক মান্নবা থাক অমদা থমদুনা মীয়ামগী ঈজৎ সন্মান ঙাক্তুনা মীয়াম য়াইফনবা তৌবা অমদি লৈবাক ঙাকপা হায়বসিনি! মসিনা ঐখোয়গী মীখল হায়বসি তরাইনা লৌবা য়াদে। ঐখোয়না মকোক্তা লৈবা অদুগা থবক্তনা মীয়াম্না চাক্লিবগুম লৌরিবসি মীয়াম্না সংবিধান খঙবা ৱাৎপদগীনি। মসিনা ঐখোয় মীখলগী মতমদা ইশাগী শক্তি অসি চুম্না শীজিন্নবীহৌবনা ফৈ খল্লি।

ঐখোয় খুদিংমক্না খঙই মদুদি দেমোক্রেসি হায়বসি ইশাগী মীহুৎ ইশানা খল্লগা মীয়ামগীদমক্তা সাসন তৌহনবদুনি। দেমোক্রেসিদা ইশানা মীহুৎ খনবগী থৌওং অসিবুনি ফেষ্টিবেল ওফ দোমোক্রেসি হায়রিবসি। অসুক ফজখ্রবা থৌওং অসি ঐখোয়না খন্থবা ৱাৎপা লৈঙাকপশিংনা মখোয়দা মীয়াম্না নোলহনবগী চৎনবী অমা দেমোক্রেসিগী ওন্ন-তৈনবদা চহী লিশাংশিংনা ইন্দিয়াদা চত্থরকপনা মীয়াম্না দেমোক্রেসিগী অশেংবা নুংঙাইবদু খঙবা ঙমদ্রি! মসিবু চুমথোকপা শেমদোকপা হায়বসি মীয়ামগী খূৎতা লৈরে। ঙসিদি ঐখোয় খুদিংমক্না শেমদোকপগী মতমদু ঐখোয় খুদিংমক্কী খূৎতা লৈরে! মীয়াম্না অফবা অশেংবা মীহুৎতুদখক খনবা; মীখলদা শেঞ্জা থুমজা তৌবা মীরেপশিংবু মীয়াম্না পাড়া তন্বীবা মতম য়ৌরে। মসি নত্তনা ঐখোয়না মনি পৱার, মসল পৱারদা য়েংদুনা লৈরবা ঐ অমদি ঐগী তুংগী চারোল শুরোলসু মীনাই নাইথাংগী খয়াৎতা তারক্কনি হায়বসি ঙসি ঐখোয়না নৈনহৌবা মথৌ তাই। অদুনা ঐখোয়না মীখল অসি তরাইনা লৌবীগনু! মখোয়না করি তৌরি? করি তৌখি? করি তৌরক্কনি? করম্বা মীনো মুন্না তুংগী মীরোলশিংগীদমক্তা লৈবাক্কীদমক্তা ঐখোয়না ইশাগী মীহুৎ খনবা মতমদা ইশাগী ভোট থাদবগী হক অসি শেলগা মন্ত্রিক্লদনা ইশাদা অকি অখং য়াওদনা ইশানা পামজবা মীহুৎ অদুদা ভোট থাদবা অদুবুনি ঐখোয়না 'ফ্রী এন্দ ফেয়র ইলেক্সন' হায়বসি। মসিনা ফ্রী এন্দ ফেয়র ইলেক্সন ওইহনবা হায়বসি মীয়ামগী খূৎতা লৈরে।

ঐখোয়না ঙসি মনীং তম্না ৱা ঙাঙবা ঙমদ্রিবা অসি ঐখোয়না মীখলদা খনখিবা মীওইশিংদুনা ঐখোয়বু মখোয়গী মপূনি হায়বসি কাউখিবদগীনি। ঐখোয়না খঙই মদুদি দেমোক্রেসি হায়বসি ("Freedom of speech and expression is one of the essential feature of any Democracy") খ্বাইদগী মরু ওইবা মচৎসি মনীং তম্না ৱা ঙাঙবা অমদি অনীংবা অদু মনীং তম্না ফোঙদোকচবা অসি দেমোক্রেসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মচৎনি। মসি হায় হায়দুনসু লৈবাক কায়গদবা; মী অমবু লান্না হুনবা; মী অমগা মী অমগা খৎনহন্নবা; সোসাইটি অদুদা অকায়বা ওইগদবা; লৈবাক্কী সোভরেন্টি, ইন্টিগ্রিটি, ষ্টেট অমগা ষ্টেট অমগা খৎনবা য়াবা; লৈবাক অনীগী মরীদা অকায়বা ওইগদবা; কাঙলূপ মশেল খৎনবা য়াবশিং অসিদদি নত্তে। লৈঙাক্তুগী, লৈঙাকপদুগী শাসনদা; গভর্ণমেন্টকী পোলিসিশিংদা; গভর্ণরমেন্টকী লৈরিবা ৱেলফেয়র স্কিমশিং; ইশাগী ফন্দামেন্টেল রাইটশিংদা শীংনরকপা; লৈঙাক্না দেমোক্রেসিগী ওন্ন-তৈনবদা দিক্টেটরশিপ, ওটোক্রেসি তৌশিল্লকপা ময়াম অসিদা অকিবা য়াওদনা মনীং তম্না মীয়াম্না অনীংবা ফোঙদোকপা ঙাঙবা অদুবুনি ঐখোয়না Freedom of speech and expression হায়রিবসি। ঙসিদি ঐখোয় খুদিংমক্কী Freedom of speeh and expression কয়া অসি নমথদুনা মীয়াম্বু মীয়ামগী মীহুৎশিংনা ওৎপা নৈবা তৎতনা তৌরক্লিবা অসিদগী কন্নবা মীয়াম্না অফবা মীখল খনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই খল্লি।

মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী ফেষ্টিবেল ওফ দেমোক্রেসি চহী ৫/৫গী মতুংদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থোঙ্গালদা থুংলরে ১৮শুবা লোক সভা মীখল। মীখল অসিদা মীহুৎ ৫৪৩ খন্নবা তাঙ্কক তরেৎ থোক্না ষ্টেট মরিগী ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগসু পূন্না এপ্রিল ১৯দগী হৌরগা জুন ১ ফাওবা মীখল পাঙথোক্তুনা জুন ৪দা মীখলগী ফল লাউথোক্কদৌরি। লোক সভাগা পূন্না মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেটশিং অদুদি অন্ধ্র প্রদেশ, ওড়িষা, সিক্কিম অমদি অরুনাচল প্রদেশনি। অরুনাচল প্রদেশ অমদি সিক্কিমনা এপ্রিল ১৯দা, অন্ধ্র প্রদেশনা মে ১৩দা, ওডিষানা তাঙ্কক মরি থোক্না - মে ১৩, ২০, ২৫ অমদি জুন ১দা পাঙথোক্কদৌরি। ঐখোয় মণিপুরগীনা ইন্নরদা মীরেপ ৬ - আই এন সীগী অঙোমচা বিমোল অকোইজম, বি জে পিগী থৌনাওজম বসন্ত, আর পি আই (অথৱালে) গী মহেশ্বর থৌনাওজম, ইন্দিপেন্দেন্টতা আর কে সোমেন্দ্রো (কাইকু), মোইরাংথেম তোতোমস্না (নোংশাবা) অমদি হাওরুংবম সরতনা মীরেপ ওইনা এপ্রিল ১৯দা ভোট থাদনগনি। অদুগা আউটরগীনা মীরেপ ৪- আই এন সীদা অলফ্রেদ কানঙম এস অর্থর, এন পি এফকী কাচুই তিমোথি জিমিক, ইন্দিপেন্দেন্টতা ডা. এলিসন অবোনমৈ খো জোননা এপ্রিল ২৬তা ভোট থাদনগনি।

| Phase | Seats | Poll Date | |
|---|---|---|---|
| 1st | 102 | April 19 | |
| 2nd | 89 | April 26 | Result |
| 3rd | 94 | May 07 | on |
| 4th | 96 | May 13 | 4 June |
| 5th | 49 | May 20 | |
| 6th | 57 | May 25 | |
| 7th | 57 | June 01 | |

মীয়ামগী অশেংবা শক্তি মীয়ামগী খূৎতা থুংলরে। ঐখোয় খুদিংমক্না ঐখোয়গী শক্তি অসি করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মন্ত্রিক্লদনা লৌনম চিরোন য়াওদনা অফবা মতিক চাবা মীয়ামগী থবক তৌগদবা মীহুৎ অমা খনবগী তাঞ্জাদু মীয়ামগী খূৎতা লৈরে।

হন্দক্কী ১৮শুবা লোক সভা মীখল অসি ঐখোয় মণিপুরগীদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ওইনসু খ্বাইদগী মরু ওইবা মীখল অমা ওইগদৌরিবনি। মরমদি ঙসি ঐখোয় ইন্দিয়া অসি চহী ১০ অসিদা কা হেন্না লৈত-লায়রশিংগী অনেম-অৱাংগী থাক কা হেন্না খেন্নরকপা; ইন্দিয়া পূম্বগী মীয়ামগী অপূনবা লন থুমগী শরুক অসি ইন্দিয়াগী শেঞ্জাও পায়বা মীশিংগী চাদা ১না ইন্দিয়াগী অপূনবা লন থুমগী চাদা ৫৩ অসি মখোয়না ওইশিল্লকপা; World Inequeality Report 2022 গী মতুংইন্না ইন্দিয়া অসি পৃথিবীগীদা খ্বাইদগী অনেম অৱাংগী থাক খেন্নবা লৈবাক ওইদুনা শেঞ্জাও পায়বা ইন্দিয়াগী চাদা ১০ পোপ্যুলেসন্না ইন্দিয়াগী অপূনবা লন থুমগী চাদা ৭৭ অসি মখোয়না পায়শিল্লকপা; অদুগা খ্বাইদগী শেঞ্জাউ পায়বা ইন্দিয়াগী মীশিংগী চাদা ১না ইন্দিয়াগী অপূনবা লন থুমগী শরুক চাদা ৫৩ মখোয়না পায়শিল্লকপা; "The State of Food Security and Nutrition in the World 2023" গী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৭৪দি অফবা চীঞ্জাক চাবা ঙমদবা; Global Hunger Index 2023 গী স্কোরদা ইন্দিয়া অসি ২৮.৭ ফংদুনা "India as considered serious according to the GHI severity of Hunger scale" হায়দনা রিপোর্ট পীবতা নত্তনা "India's child-wasting rate at 18.7 is the highest child-wasting rate in the report" হায়রি। Gender Inequality - Global Gender Gap Report 2023 গী মতুংইন্না লৈবাক ১৪৬কী মনুংদা ইন্দিয়ানা ১২৭ শুবদা লৈরি। World Press Freedom Index 2023 গী রিপোর্ট মতুংইন্না লৈবাক ১৮০গী মনুংদা ইন্দিয়ানা ১৬১ শুবা থাক্তা লৈদুনা স্কোর ৩৬.৬২ ফংদুনা খ্বাইদগী খুদোংথীবা থাক্তা লৈদুনা য়ূমথংননা লৈবা লৈবাক ঈরাং য়াম্না কনবা পাকিষ্টান, আফঘানিষ্টাননা ফাওবা ইন্দিয়াদগী থাক ৱাংলি। Corruption Perception Index of the Transparency International Report 2023 গী মতুংইন্না লৈবাক ১৮০গী মনুংদা ইন্দিয়ানা ৯৩শুবা থাক্তা লৈদুনা করপসন খ্বাইদগী তৌবা লৈবাকশিংগী মনুং চন্দনা লৈরি। নুংথিল পোবোপতা মীয়াম্বু লৌনম তৌদুনা ইলেক্টোরেল বোন্দ চৎনহন্দুনা ইন্দিয়া মথক মখা ওনগে তৌরম্বদু হন্দক্তা সুপ্রিম কোর্টনা মতম চানা য়েংশিনহৌবদগী ইন্দিয়া কনবা ঙমহৌরে। ইন্দিয়া কন্নবা; থবক ফংদবগী; লৌমীশিংগী; লায়রবশিংগী দেমোক্রেসিদা শীংনরকখিবা কয়া অসি কন্নবা মণিপুর কন্নবা হন্দক্কী ১৮শুবা লোক সভা মীখল অসি য়াম্না মরু ওই। ইন্দিয়াগী মীয়াম পূম্বনা মীকপ থোকপগী তাঞ্জাদু লাক্লে। মণিপুর কনবা মীয়ামগী খূৎতা লৈরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।